# খুরাই পোলো ক্লব টিম বি, ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব টিম এ, মণিপুর পুলিস টিম সি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, জানুৱারি ০৪ ঃ

ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা চথরিবা লমদমসিগী খ্বাইদগী মমিং লৈরবা পোলো টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ৩১ শুবা এন হজারি অমসুং ডো. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৫-১৬ কী ঙসি শান্নখিবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা খুরাই পোলো ক্লব টিম বি, ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব টিম এ অমসুং মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম সি মায় পাক্লুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএশন্না শিন্দুনা চথরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা খুরাই পোলো ক্লব টিম বিনা নম্বুল মপাল পোলো ক্লব পাঞ্জল ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা খুরাই পোলো ক্লব টিম বি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

মায় পাক্লবা খুরাই পোলো ক্লব টিম বিনা ক্বার্টর ফাইনেলদা মণিপুর পুলিস টিম এগা থা অসিগী ৬ তা থেংনরগনি। ঙসিগী মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা নম্বুল মপাল পোলো ক্লব টুর্নামেন্ট অসিদগী লৈহৌরে।

মেচ অদুদা মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা মেচকী চক্র ৪ ফাওবদা টিম অনীমক্কা পাঞ্জল অমমম চন্নখি। তুংদা চক্র অমা হাপতুনা শান্নখিবদা খুরাই পোলো ক্লব টিম বিগী সি ঐচ প্রানজিনা টিমগী মায় পাকপগী পাঞ্জল চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব টিম এনা কে এম এম রাইদিং স্কুল টিম সি পাঞ্জল ১৪-১ দা মায়থীবা পীদুনা ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব টিম এ ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে। ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব টিম এনা ক্বার্টর ফাইনেলদা মণিপুর পুলিস টিম বিগা থা অসিগী তরুক্তা থেংনরগনি।

ঙসিগী মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা কে এম এম রাইদিং স্কুল টিম সি টুর্নামেন্ট অসিদগী নীংবা কায়না লৈহৌখি। মেচ চাউনা মায় পাক্লবা ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব টিম এগী শান্নরোয়শিংনা মেচকী অঙনবা মতমদগী হৌনা য়াম্না হৈশিংনা শান্নদুনা চক্র মরিমক্তা দোমিনেট তৌখি।

ৰান সাইদেদ ওইনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব টিম এনা অহানবা চক্রদা পাঞ্জল ৫ চনখি। এম দোলেন অমসুং এম মনিহারনা পাঞ্জল ২/২ চনখি। অদুগা কে ঐচ তোম্বীনা পাঞ্জল ১ চনখি।

অনীশুবা চক্রদা ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব টিম এনা পাঞ্জল ৩ অমগা চন্দুনা টিমগী পূন্না পাঞ্জল ৮ শুখি। পাঞ্জল অদু কে ঐচ তোম্বীনা পাঞ্জল ২ অদুগা এম দোলেন্না পাঞ্জল ১ চনখি। মেচকী অহুমশুবা চক্রদা ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব টিম এনা পাঞ্জল ৩ চন্দুনা টিমগী পূন্না পাঞ্জল ১২ শুখি। এম দোলেন্না পাঞ্জল ২ অদুগা কে ঐচ তোম্বীনা পাঞ্জল ১ চনখি।

মেচ অদুগী মরিশুবা অমসুং অরোইবা চক্রদা ইবুধৌ থাংজিং টিম এগী ও সমরজিৎ অমসুং এস গিরিমোহোন্না পাঞ্জল ১/১ চন্দুনা টিমগী পূন্না পাঞ্জল ১৪ শুখি। মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা কে এম এম রাইদিং স্কুল টিম সিগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু এন অলেক্সনা অহুমশুবা চক্রদা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা মেচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম সিনা ঈ এস সি টিম বি নোংমৈবুং পাঞ্জল ১০-০ দা মায়থীবা পীরক্লগা মণিপুর পুলিস টিম সি ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে। মণিপুর পুলিস টিম সিগী শান্নরোয়শিংনা চক্র মরিমক্তা দোমিনেট তৌখিবগা লোয়ননা অহানবা চক্রদা কে ঐচ দিনেসনা পাঞ্জল অমা চনখি। অনীশুবা চক্রদা এস বিনোয়না পাঞ্জল ২ অদুগা সলাম ভাইকিংনা পাঞ্জল ১ চন্দুনা টিমগী পূন্না পাঞ্জল ৪ শুখি।

অহুমশুবা চক্রদা টি ঐচ রোমেন অমসুং এম সুরজিৎনা পাঞ্জল ১/১ চনখি। মেচ অদুগী মরিশুবা অমসুং অরোইবা চক্রদা ভিবেকানন্দনা পাঞ্জল ৩ অদুগা টি ঐচ রোমেন্না পাঞ্জল ১ চনখিবগা লোয়ননা মণিপুর পুলিস টিম সিগী পূন্না পাঞ্জল ১০ শুখি। হয়েং অহানবা মেচ কে এম এম রাইদিং স্কুল টিম এ অমসুং ঈ এস সি টিম এগা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ চিংঙ্খেহুনবা পোলো ক্লব টিম এ অমসুং এক্স পোলো ক্লব টিম এ ৰাঙ্খেগা শান্নগনি। অহুমশুবা অমদি অরোইবা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ খুরাই পোলো ক্লব টিম এ অমসুং ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব টিম সিগা শান্নগনি।

# ম্যান্মারগী ফুটবোল টিম ১ য়াওনা পোঙ্গল ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, জানুৱারি ০৪ ঃ

মোরেদা লৈবা টামিল কাঙলুপকী খ্বাইদগী চাওবা লৌরোক কুম্মৈগা মরী লৈননা চহী খুদিংগী পাঙথোকপা ৪৯ শুবা পোঙ্গল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ ঙসিদগী মোরেগী গলঙাম লেনটোন ফুটবোল গ্রাউন্দদা ১১ আসাম রাইফলস মোরেগী কম্মান্দিং ওফিসর কর্নেল মনোজ এ পি এস সি এস এম অমসুং মোরে পুলিস ষ্টেশনগী এদিসনেল এস পি এম মোবিনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াদুনা হৌদোকখ্রে।

টামিল শঙ্গম মোরেনা স্পোন্সর তৌরগা লিব্রা পিপলস ক্লব মোরেনা শীন্দুনা ঙসিদগী চথবা হৌখ্রবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা ম্যান্মারদগী টিম অমা অমসুং ১১ আসাম রাইফলস টিম অমা য়াওনা পূন্না টিম ১৪ না শরুক য়ারি।

টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরমগা মরী লৈননা মোরে পুলিস ষ্টেশনগী এদিসনেল এস পি এম মোবিনা ফোঙদোকখিবদা, তোঙান তোঙানবা কম্যুনিতি কয়ানা খুন্দাদুনা লৈরিবা মোরে টাউন্দা টামিল কম্যুনিতিগী ওইবা ৪৯ শুবা পোঙ্গল ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোকপা অসিনা মোরে টাউন মনুংদা লৈমিন্নরবা কম্যুনিতিশিংগী মরক্তা নুংশি চান্নবা পুরকপা ওইরসনু হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা মোরেদা হৌগৎলক্লিবা মহৈরোয়শিং অমসুং নহা ওইরিবশিংনা গাড়ী মচা থৌবদা তপ্না থৌদুনা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক চেকশিনহন্নিংবগী পাম্বসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মীতৈ কাউন্সিল মোরেগী প্রসিদেন্ট এম থোইবা, মণিপুরী মুসলিম কাউন্সিল মোরেগী প্রসিদেন্ট এম দি হুসেন, ওল কম্যুনিতি দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেশন মোরেগী এদভাইজর ও লুখোই, হিল ত্রাইবেল কাউন্সিল মোরেগী প্রসিদেন্ট জংমাং হাওকিপনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

# চেম্প খাগেম্পল্লিনা দি এস য়ু রন ৮৪ দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জানুৱারি ০৪ ঃ

মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএশন্না শিন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৩ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৫-১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা চেম্প খাগেম্পল্লিনা দি এস য়ু রন ৮৪ দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা চেম্প খাগেম্পল্লিনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ৩০ দা ৱিকেট ৯ আউট ওইরগা রন ১৫১ লৌখি। চেম্পকী বেটসমেন টেজবন্তনা রন ৪৭ (৪৭), মোহেন্না রন ৩৬ (৪৯), ইবোবীনা রন ২২ (২৭), বিসেশ্বরনা রন ১০ (১৪) লৌখি। দি এস য়ুগী বোল্লর কৃষ্ণনা ৱিকেট ৩, দেবদত্ত, হিমট অমসুং দেবান্না ৱিকেট ২/২ লৌখি।

চেম্পনা থল্লম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীবা ঙমদনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা দি এস য়ুনা ওভর ১৬.৪ মায়োক্নখিবদা শুপ্পগী রন ৬৭ খক লৌরগা ওল আউট ওইদুনা চেম্পকী মখূত্তা রন ৮৪ দা মায়থীখি। মেচ অদুদা চেম্পকী তোমথাংনা ৱিকেট ৫ লৌদুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি।

# নবসা খা ইম্ফালনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাও রন ১৭ তা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জানুৱারি ০৪ ঃ

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন্না শিন্দুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা চথরিবা অনীশুবা প্লেট ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৪-১৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা নবসা খা ইম্ফালনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাও রন ১৭ তা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা নবসানা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌনবা খনখি। নবসানা ওভর ৩০ মায়োক্নখিবদা ৱিকেট ৮ আউট ওইরগা রন ১২৭ লৌখি। নবসাগী এল প্রেমানন্দনা রন ২৭ (৩১), এ প্রেমানন্দনা রন ৩৫ (৩২), ধনকুবেরনা নোট আউটতা রন ১৬ (২৪), রিসিকান্তনা রন ১৩ (১৮) লৌখি।

ফিল্ডিং তৌখিবা ফোর্স ক্ষেত্রিগাওগী গয়াজউদ্দিন্না ৱিকেট ৩, জহাঙ্গির অমসুং টিপুনা ৱিকেট ২/২ লৌখি। নবসানা থল্লম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীবা ঙমদনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা ফোর্স ক্ষেত্রিগাওনা ওভর ৩০ মায়োক্নখিবদা শুপ্পগী ৱিকেট ৯ খক আউট ওইরগা রন ১১০ লৌখি। নবসানা থল্লম্বা টার্গেট স্কোর য়ৌবা ঙমদনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাও রন ১৭ তা মায়থীখি।

ফোর্স ক্ষেত্রিগাওগী সুভাউদ্দিন্না রন ২৮ (৫৭), গয়াজউদ্দিন্না রন ১৪ (২৩), নৱাজনা রন ১২ (১৪) লৌখি। ফিল্ডিং তৌখিবা নবসাগী বোল্লর সিমোন অমসুং রোবেন্না ৱিকেট ৩/৩ লৌখি। এল প্রেমানন্দা, রোকি অমসুং ধনকুবের মখোয় অহুম্না ৱিকেট অমমম লৌখি।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা নবসা খা ইম্ফালগী ওল রাউন্দর এল প্রেমানন্দনা রন ২৭ (৩১) লৌখিবগা লোয়ননা ৱিকেট অমা লৌদুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি। হয়েং ঈ এস য়ু ৱাঙ্খে অমসুং ৱাই দব্লিয়ু সি পাৎশোই পার্ট ৱানগা শান্নগনি।

# বোদি বিল্ডিংগী ত্রাইএল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জানুৱারি ০৪ ঃ ইন্দিয়ন ফিটনেস এন্দ বোদি বিল্ডরস ফেদরেশনগী মিৎয়েং মখাদা কর্ণাটাকা অমেচর বোদি বিল্ডরস এসোসিএশন্না শিন্দুনা মথং থাগী ১২ অমসুং ১৩ ফাওবা কর্ণাটাকাগী মেঙ্গলোরদা নেসনেল বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুর অমেচর বোদি বিল্ডরস এসোসিএশন (মাবা) না সব জুনিয়র, জুনিয়র, য়ুঠ, সেনিয়র, মাষ্টর কেটাগোরিশিংগী হায়ট গ্রুপ, সোর্ট গ্রুপ, মেদিয়ম, টোল অমসুং সুপর টোল হায়রিবা গ্রুপশিং অমদি ফিটনেসকী ওইনা মশাগী চহী ১৮ দগী ২৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা শান্নরোয়শিংগী ত্রাইএল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ৯ গী নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা শগোলবন্দ নেপ্রা মেঞ্জোর পুখ্রি মপাল কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোক্লগনি। ত্রাইএল অসিগী অকূপ্পা মরোল এসোসিএশন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি টি বিশ্বরজিৎতগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।





















Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com